থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া পূম্বগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেলপর, আশা ৱার্করশিংগী খনবীদুনা অহেনবা ওনরেরিয়ম পীরকপা অসিদা ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ৱার্কর, হেলপরশিং অমসুং আসা ৱার্করশিংনা মশা মশাগী মথৌদা পূক্নিং চঙবীদুনা পন্থুং য়ৌগদবা ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘগী থৌমীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা লন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোকপীদুনা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন্দা মাঙজিল থাবীয়ু হায়না ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি লৌক্রাকপম সনাতোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মশা লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): লাংপোকলাকপম লৈকায়, মনীং লৈকায়, ময়ায় লৈকায় মৈরা শঙলেন্দা প্রসিদেন্ট টি ইবেয়াইমা অমদি প্রসিদেন্ট এল ইবেলৈ অনীনা পূন্না প্রিসাইদ তৌদুনা থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ৱারেপ অনীসু লৌখি মদুদি কোঞ্জেং লাংপোকলাকপম মনিং, ময়ায় লৈকায় মৈরা লূপ অমদি নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা লূপকী মশা লোইশঙ ওইরে হায়না লেপ্পখি অমদি নিমপালনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা চঙশিল্লকপদা কোঞ্জেং লাংপোকলাকপম মনিং, ময়ায় লৈকায় মৈরা লূপসু পূন্না শরুক য়ামিন্নবা হায়নসু লেপ্পখি হায়না নিমপালগী আই পি আর সেক্রেটরি দল্লিয়ু থাইবেম্মনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপী মরুপকী কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর নুপী মরুপকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কনভেন্সন অমা ঙসি ইরাবত ভাবন্দা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম পুর্নিমাসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কনভেন্সন অসিদা সিটিগী, এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি য়াওদনা লমশাং, সেকমাই, কোন্থৌজম, পাৎশোই, নাওরিয়া পাখংলাকপা, লংথবাল, ৱাঙ্গৈই অমসুং ময়াং ইম্ফালনচিংবগী দেলিগেটশিংনা শরুক য়াখি।

নুপী মরুপকী ওর্গেনাইজেসনগী মতাংদা কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা মরুপনা লৈবাক্কীদমক্তগা থেংনগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খোঙজং চঙশিন্নবগীদমক শেম শানবা ৱারেপশিং লৌখি। মরুওইনা লৌখিবা ৱারেপশিংদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা মমা ওইবীশিংদা ফুদ সেক্যুরিটিনা কান্নবা ফংবা ঙমদ্রবা মমাশিংগী অৱাবা খঙবীবা, লৈঙাক্কদি লায়রবা লৈতবগুম লাউথোক্লি। মসিমক লাইবক থীবনি। মরম অদুনা নুপী মীয়াম্না ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী কান্নবা মপুং ফানা মীপুম তিংনা ফংহল্লু হায়বা দিমান্দদা খোঙজং চংশিল্লগনি।

নুপীবু ওৎ নৈবীবা অমদি হাৎতোকপীবা অমদি রেপ তৌবীবগী ৱাথোক অসুমক লৈরিবা অসি লৈঙাক্লা থোকহনবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী থৌদাদা নুপী মীহুৎ চাদা ৩৩ শুংশোয় শোয়দনা রিজার্বেসন পীনবা, পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিদা চাদা সিট ৩৩ খাক্কদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনবা, লৈবাক্কী ওইবা দিমান্দ ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, বোর্দর পিল্লর অমসুং এম য়ুগী ৱাথোক্তসু নুপী মরুপনা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

পোৎ চৈ তাঙবনা নুপীশিংদা হেন্না ৱাহল্লিবা, চাকথোং গ্যাস অমসুং থাওগী মমল হেনগৎলিবা, উজ্বালা স্কিমনা লায়রবশিংদা থোক তৌদুনা ভোট খোম্নবা হোৎনরিবা অসি তোকহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি। মখা তারকপা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনি হায়রি।

লাইনীং ঙাকশেনবা নুমিৎ-তা অথিংবা পীরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): নিংথৌ বোধচন্দ্রনা ঙসিদগী ইনাৎ লাইনীং হঞ্জিল্লসি, ময়েক পুয়া পুথোক্তুনা নৈনবীরো, লাইনীংনা খায়রম্বা চীং-তম, অমাং অশোয় ঙসিদগী লৈত্রে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা কংলাদা ফম্বাল লাংলগা মালেম পাফল চিংখৎতুনা লাইনীং ঙাক শেনবা নুমিৎ পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াখিবা খুদিংমকপু ওল ইন্দিয়া কংলা পাখঙবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

থৱান ২৯নি পানবা থৌপাং লূপ কংলা ফমথৌ ৬৪গী কনভেনর লৈশাংথেম থৌঙম্বা চেংলৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লাইনীং ঙাক শেনবা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা হামচৎনরবা মীতৈ চীং-তমগী থৱায়বু অচংবা মীরেল হাপ্পীবগা লোয়ননা কৌব্রু, থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন, নোংমাইচিং, ইথাই পুনম চীং, কোংবা মরুনচিংবা লাইফমদা মহারাজ বোধ চন্দ্রনা পরৈ চঙবীখি। লোয়ননা ঙসিদগী থৱানগী ২৯নি পানবা খুদিংমক্কী মালেম পাফল চিংখৎমিন্নরসি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা মীতৈ চীং তম রিলিজন এক্ট ২৯ থৱান থা ১৯৪৭ এক্ট অসি চৎনবা হৌরে হায়না লাউথোকখি।

অচংবা নুমিৎনি নমথবা, তুহৎপনা হেনমনখিবনা নুমিৎসি মপুং ফানা থৌরম পাংবা ঙমখিদ্রে। নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর লৈত্রিঙৈ, আর্কিওলোজি লাক্রিঙৈ, আই আর বি লৈত্রিঙৈদগী লৈরক্লবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি অসাম রাইফলসনা কংলাদা লৈরিঙৈদগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ভেঙ্কতারমন্দা মেমোরেন্দম পীশিল্লবা মতুংদা অসাম রাইফলসনা অচংবা শেলফম ফাওবা পুথোক্তুনা নীং তম্না থৌরম অসি পাঙথোক্লককখি হায়রি।

৭১রক শুবা থৌরম থা অসিগী ৮দা পাঙথোকখিবা থৌরমগী কংলা ফোর্ট বোর্দকী প্রসিদেন্টনা সী এমদা ওগষ্ট ৮দগী অয়াবা পীবীনবা অমদি চীফ গেষ্ট ওইবীনবা অইবা চে পীশিনখি। অদুবু সেপ্টেম্বর ৭ আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টনা অয়ূক্কী পুং ৭তগী হৌরগা ১১ দা থৌরম লোইশিনগদবনি হায়না ওর্দর পীরকখি হায়রি।

মমাঙদা অয়ূক্কী পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা নাৎকী লাইশোন তিনশোন, জগোয়-ঈশৈ, পেনা থাঙ-তানচিংবা থৌরম উৎতুনা পাঙথোকখি। মতম শাংদোকপীনবা হায়জরুবদা সী এমনা য়াবিখিদে। থৌরম অদুদা মাইক পুশিনবা য়ারোই, লাইদা লুক কৎপা, খের কৎপা অমদি অচা অথক তৌবা য়ারোই। লোয়ননা মী ১০০দগী হেন্না চঙবসু য়ারোই হায়না থিংবীখি হায়রি।

থৌরম অসিদা জিরি, মোরে, ক্বাক্তা, ককচীং খুনৌ, উমাথেল, ৱাবগাই, হিয়াংলম তেরা পিশক, কৈরক মনীং লৈকায়, সত্রাম মমাঙ লৈকায়, কামু চিংজিন, খুলেন, সেকমাইজিন মমাঙ লৈকায়, ঙাইখোং খুলেন সিফাই, খুরখুল, লৈমখোং, শুগুনু, কুম্বী, ইথাই, তোরবুং, বঙ্গলা, চুড়াচান্দপুর, পুখাও, লমলাইনচিংবা মফমদগী গাড়ী ৭৭তা ফিরাল থেৎতুনা থৌদাং য়াবা লাকপদা কংলা গেটতা লুপা ২০/২০ পীবা টিকেট কক্তুনা চঙলকখিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, নাগামপাল ষ্ট্রিট ভেন্দর, উরিপোক, থাংমৈবন্দ, তেরা সাদোকপম লৈকায়, থৌবাল ওক্রম, ইরম সিফাই, ক্বাকৈথেল ময়ায় কোয়বী, ৱাংখৈ কোংবনচিংবগী ইমাশিংনা অথেনপোৎ ৪২ হেন্না কারকখিবা অমদি শক খঙহৌদবা লূপকী ওইনা লন্নাইগী ওইনা অথেনপোৎ কারকখিবা পূম্নমকপু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। নাৎকী জগোয় ঈশৈ, থাঙ-তা, য়ুবী খোকপনচিংবা থৌরম পাঙলম্বশিংবুসু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি থৱানগী ২৯নি পানবদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা থৌরমদা অকক্লবা মতম পীরক্লিবা অসি করম্বা লোইশঙনো থিদোকমিন্নদুনা মতুংদা তৌরক্তনবা ৱাখল তামিন্নবা, থৱানগী ২৯নি পানবা লাইনীং ঙাকশেনবা নুমিৎসি ষ্টেট হোলিদে লাউথোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জবা হায়বনচিংবসিনি হায়রি।

লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মালেম পুবা পাফল য়েকপা ফিরালবু কংলা মেন্দা চিংখৎতুনা ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগী মৈতৈ পোইরৈ লমদমগী মৈহৌরোলগী লাইনীং লিক্লম কাংখুলগী ইনাৎপু নৌহৌনন্না হঞ্জিল্লবনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্তুনা লৈবাক নিংথৌ পূন্না হৌখ্রবা থবক থৌদৌ কয়াবু নীংশিংমিন্নদুনা পেন্দবা ফোঙদোকপা নুমিৎকী থৌরমদা অথিংবা পীরকপবু কংলা লাইফমলেন, ইবুধৌ মার্জিং, ইবেন্থৌ খুনু লৈমা, ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা, ইবেন্থৌ লাইস্না থৌগল লোইশঙনা য়ানীংদবা ফোঙদেরক্লি।

কুমজা ১৯৪৭কী থৱান থাগী ২৯নি পানবা নুমিৎ অসিদা লোইলম শন্দোকপা বৃটিশ লৈঙাক্না য়েক তরেৎ, সলাই ৯, চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী লাইনীং লম্বীগী চৎন কাঙলোনবু অথিংবা কয়া অমা থমদুনা লাকখিববু নীংশিংবা নুমিৎকী থৌরম অসিদা আর্কিওলোজিকেল দিপার্টমেন্ট অমদি কংলা ফোর্ট বোর্দনা চীংবুরোই তম্বুরোই, য়েক ৭, সলাই ৯গী লাইনীংবু নৌহৌনা নীংশিং থৌরম অসিদা অয়ূক পুং ৭তগী ১১ ফাওবগী অয়াবা পীবা থৌরম অদুদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা য়াহন্দবা লোয়ননা মীওই লিশীং ২ মুক হেনবা মীতিন অদুগী চান-থক্লবা পোৎলমশিংবু পুশিনবা য়াহন্দবা হায়বা অসি নুমিৎ অসিদা তিল্লিবা ইরৈবাক চা পূম্নমকপু ইকায়বা পীনবা অমদি মীতৈ পোইরৈ লমদমগী লাইনীং ইনাৎকী লিক্লম কাংখুলবু লৈবাক মীয়াম মাঙদা ফোঙনা খোঙ্গাওনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না ফোঙদোক্লিংলিবদি মেরা থাগী থানিনল কংলা মনুংদা জগোয় রাস কৎপা অসিবুসু হায়রিবা অকক্লবা মতম পুং ৪ অসিমতং পীবিয়ু হায়না নীংশিংলক্লি।

হেসুগী নৌনা থৌ পুনবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : ঈ এস য়ু ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম দি রসিমুদ্দিন্না প্রিসাইদ তৌদুনা ক্লব অসিগী ওফিসতা হৌখিবা মে ২৫দা পাঙথোকখিবা মেনেজিং কম্মিটিগী মিটিং অদুদা ওর্গেনাইজেসন অসিদা নৌনা য়াওজগে হায়রকখিবা মীওইশিং অদু কম্মিটি মেম্বরশিংনা কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা য়াওহনবদা য়ানখি। হায়রিবা প্রোসেস অসিবু মখা চথুনবা ওর্গেনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি ইলিয়াসনা ওগষ্ট ২৯দা জেনরেল বোদি মিটিং অমা কৌদুনা হৈত্রোইপোকপী কম্যুনিতি হোলদা নুংথিলগী পুং ৩দা পাঙথোকখি।

মিটিং অসিদা ওর্গেনাইজেসন অসিদা নৌনা য়াওরক্লবা মেম্বরশিং অদু মীয়ামদা শক তাকখি অমসুং ওর্গেনাইজেসন অসিগী হান্না লৈজরম্বা মমিং ইষ্টর্ন ষ্টার য়ুনিয়ন্দগী হৈত্রোইপোকপী ইষ্টর্ন ষ্টার য়ুনিয়ন (হেসু) হায়না মমিং ওন্থোকপদা য়ানখ্রে। মখা চথরকপা ওইনা ওর্গেনাইজেসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মীটিং অমা থা অসিগী ১গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ক্লবকী ওফিসতা পাঙথোকখি।

মীটিং অসিদা নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখি। অদুম ওইনমক হান্না ত্রেজররগী থৌ পুরম্বা এম দি সলামনা মেনেজিং কম্মিটিদা য়াওরম্বা এম দি অবির খান অমদি এম দি ইবুংঙোমচা মখোয় অহুমবু এদভাইজরগী থৌ পুবদা য়ানখি হায়রি। নৌনা থৌ পুনবা মৌলানা অজমলবু প্রসিদেন্ট, এম দি অবদুল কুদুসপু সেক্রেটরি অমদি এম দি গুলামনবি অজাদ সেখপু ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ তাবদা মণিপুর হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কোলেজগী হোল দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা অসিদা প্রোফেসর কে ঐচ কুঞ্জোনা ইংরাজিদা ইবা দি সন ফ্রোম বিহাইন্দ দি ক্লাউদ হায়বা নোভেল অমা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রোফেসর হুইরেম বেহারি প্রসিদেন্ট কলচরেল ফোরম মণিপুরনা প্রসিদেন্ট ওইগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার লোংজম জয়চন্দ্রনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইবগা লোয়ননা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): কমখ্যা সঙ্গিৎ মন্দল হিয়াংথাংগী নৌনা পুথোক্লগদবা শুমাং লীলা ঙানু থঙ্গোংগী খোংজিগী থৌনি থৌরম থা অসিগী ১২দা লিলা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না কমখ্য সঙ্গিৎ মন্দলগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

জি জিটেশ্বর অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪গী হকচাং শিন্নবা তকশিনখ্রে


CHENNABASING MATIKCHABA CHEIRAK PIGADABANI
AMADI MANIPURDAGI AFSPA LOUTHOKKADABANI
ON 13/09/2018 VENUE – BABUPARA
Organised by – JAC, Jiribam

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী ওফিস মমাঙদা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি জিরিবাম্না শীন্দুনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা জি জিটেশ্বর শর্ম্মা, টি ঐচ ছটিশ, টি ঐচ প্রেম, আর কে রনেল অমদি পি ঐচ নাওবীগী মীহাৎতা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং চৈরাক পীগদবনি অমদি মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ লৌথোক্কদবনি হায়বগী মতাংদা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

সিট-ইন-প্রোটেষ্ট অদুদা জিরিবামগী মীয়াম্না শরুক য়াখি। প্রোটেষ্ট অসিগী মতাংদা জে এ সীগী মেম্বর মাইপাকস্নানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ঐখোয়না পাঙথোক্লিবা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট অসিগী অহানবা পান্দমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কষ্টদিএল কিল্লিং অসি আর্মিনা ফারবা মরাল লৈতনা হাৎতোকপীবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা আর্মিগী ওফিসলশিং খুদক্তা চৈরাক পীগদবনি অমদি চৈরাক পীবা মতমদা সী বি আইদা মখোয়গী মথক্তা শিন্নদুনা মখোয়না ৱায়েল তৌবীরবা মতুংদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি।

অফস্পা ১৯৫৮ অসি পার্লিয়ামেন্টতা ইষ্টাব্লিস তৌখিবনি অদুগা মণিপুরদসু ১৯৫৮দা চীংগী মফমশিংদা হান্না চৎনবা হৌদুনা তপ্না তপ্না তম্পাক লমদমদা চৎনবা হৌখিবদগী হৌজিক্তি মণিপুর পূম্বদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা চৎনদুনা লাকপসিদা কুমজা ২০১৮ অসিদা অফস্পা অসি চৎনরকপা চহী ৬০ ফাজিল্লক্লে। মসিনা লোইলম লৈঙাক শন্দোকপদা নুংঙাইনবা শেন্থা এক্ট অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মপূং ফানা মুখৎকদবনি হায়বগী পান্দমদা তকশিন্দুনা লাকপনি।

কুমজা ২০১০দা মীওই খরা অমদি কুমজা ২০১১দা মীওই খরা পূন্না মীওই ৫ হাৎখ্রে হায়বা অসি ইন্দিয়ন আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বীর সিংহ মশানা মণিপুর হায় কোর্টতা এদমিট তৌরকখিবদগী মণিপুরগী মীয়াম্না খঙলকপদগী জি জিটেশ্বর শর্ম্মগী ইমুং মনুংগা লোয়ননা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা মীয়ামগী ওইবা মীফমদা মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গেনাইজেসন খুদিংমক শরুক য়াদুনা জে এ সী অমা শেমখিবনি।

অফস্পাগী মরুমদা মীওই লিশীং ১০ হেন্না হাৎখ্রবনি। মসিগী মনুংদা এক্সত্রা জুদিসিএল কষ্টদিএল কিল্লিং হায়বদি এনকাউন্টরনিদি হায়রগা ফেক্ট এনকাউন্টরদা মীওই ১৫২৮ ফারগা নোংমৈনা কাপ্পনি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম লৈরবনি হায়না মরাল শিরক্লি। সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরবা অদুগুম্বা কেস ঙাক্তনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরম চাবা তঙাইমক ফদ্রবা দিমান্দ ঙাক্তা ওইবনা বন্দ শৌগৎলি: এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ এক্সন কম্মিটি ওফ এফেক্তেদ পাট্টাদারস ফ্রোম লিলোংটু ৱাংজিংনা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫দা কৌরিবা বন্দ অসি মরম চাবা তঙাইমক ফদ্রবা দিমান্দ ঙাক্তা ওইবনা লেন্দ ওনর এসোসিএসন লিলোংনা শৌগৎকনি হায়রি।

লেন্দ ওর্নর এসোসিএসন লিলোংগী প্রসিদেন্ট জাইনু লাপউদ্দিন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মাঙজৌনননা তান্নদুনা লাক্লবা নেসনল হায়ৱে ১০২গী ময়ায়দগী নাকল অনীদা ফুট ৫০/৫০দগী হেন্না লিলোং থোং অমসুং মসজিৎ লমখায় ফাওবা অসিদা লৌবীদনবা, স্কার ফুট অমদা লুপা লিশীং ৫ পীবিনবা, লেন্দ এক্যুজিসন এক্টকী মখাদা লম লৌবিয়ু নৎত্রগা দাইরেক্ট পরচেজ ওইরগনা মাঙজৌননা লম লৌবগী ক্রাইটেরিয়া অদু পাট্টাদারগা ফমিন্নদুনা য়ান্নরবা মতুংদা ষ্টেন্দিং ওর্দর অমা থোক্তুনা চঙগদবা ফুট মশীং, মমলনচিংবা লোইনা পাট্টাদার অমমমগী ওইনা অসুক য়াম্না থোক্লে, লুপা অসুক তারে হায়বনচিংবা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কদবনি।

লিলোং এরিয়াদা লম লৌদ্রিবা পাট্টাদারগীদমক অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎনবা গভর্ণমেন্টনা স্পিসিয়েল এটেন্সন পীদুনা হোৎনবীগদবনি। মার্কেট শানবা স্পিসিয়েল পেকেজ লাউথোক্কদবনি অমদি লৌখ্রবা লম শেমগৎ শাগৎতনা কাঞ্চিপুর এরিয়াদা থল্লিবা অসিগুম্না মতম শাংনা উফুল অমদি লৈখোম থোকহন্দুনা থম্বা য়ারোই। লম শোক্লে হায়রিবা অসিদা পাক চাউবা চপ মান্নরবসু দি সীগী লিষ্টতা মানহন্দ্রিবা অসি কোক্লবা রি মিজরমেন্ট তৌগদবনি। অরোইবদা পাট্টাদারগী রাইট মৎলগা নস্ফুদা লম লৌশিনবা অমদি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থৌনা লৈনা চঙশিল্লিবা দি সী থৌবালগী থৌওং অসিবু লেপ্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী ত্রান্সফর তৌখিগদৌরিবনি হায়বা ৱাফমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা বন্দ অসি শৌগৎপনি হায়রি।

এমসু অমসুং কাদানা শীন্দুনা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং কোলিসন অগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) অনীনা পূন্না শিন্দুনা চথুরকপা একাদেমিক কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এস আই একাদেমি নোংমৈবুং পোরোম্পাৎ চুথেক্তা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

লেটস ষ্টেন্দ অগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুজ হায়বা বেনরগী মখাদা চথুরকপা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন অদুদা নহাকপম জোন প্রিন্সিপাল এস আই একাদেমি, লোংজম ব্রোজেন সেক্রেটরি লাইব্রেরি এন্দ দোক্যুমেন্টেসন এমসু অমসুং নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদেন্ট কাদানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম্না হায়, মতম অমদা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু মীথোই মীহেনবা পাম্লম্মী অদুগা ঙসিনা মীথোই মীহেনবা মচাশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নগদ্রা হায়না পাখৎপনা হেল্লে। মমা মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু অফবা মী অমমম ওইহন্নীংই। মচা ওইবশিংবু মরম ওকপা, হায়বা ইনবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদবা মীওইশিং ওইহন্নীংবগুম মচা মশুশিংনা মমা মপা ওইবশিংবু অফবা মমা মপা ওইহন্নীংই। মরম অদুনা মমা মপা অমসুং মচাশিংনা পূন্না ফমিন্নদুনা নৈনবা য়াম্না মথৌ তাই।

মমা মপাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদগী মচাশিংনা অমুক ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারক্লিব্রা হায়বসিসু নৈনবা মথৌ তাই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদবা মহৈরোয়তনা মীথোই মীহেনবা ওইগনি। ইমুং মনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা পূক্নিং ৱাখল লাকশিনবা ঙমদবা, লৈঙাক্লসু নীংথিনা থিংদবনা ফোংনা অমদি মরাং কায়না ফংলকপনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী অচৌবা মরমনি।

মহৈরোয়শিংনা পূক্নিং ৱাখল হকচাং ফনা থম্বা মথৌ তাই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরবদি হকচাং শোক্লক্কনি। ইম্যুন সিষ্টেম, সেন্ত্রেল নার্ভস সিষ্টেম শোক্লক্কনি অমসুং লায়না কয়া লাক্কনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা এক্ট অমদি লো লৈরে। লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংলি হায়দুনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে।

মহৈরোয় ঐখোয়গী ইশা ইশাদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরোই হায়বা ৱাশকপগা লোয়ননা য়ূম য়ূমগী ইমা ইপাশিংসু কায়নবা পামদে। মখোয় পুন্সি শাংনা হিংহনবা পাম্মী। মখোয়না ঐখোয়বু লাইরিক তমহল্লিবনি। মখোয় ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নহনগুমসি অমসুং য়ূমদা ৱারী শাবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

ANTI DRUG CAMP
Theme : Lets Stand Again

ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবনা ঐখোয়দা কান্নবা অমত্তা পীদে। মসিনা হকচাং শোকহল্লি, শেন্মীৎলোন শোকহল্লি। অসিদসু নত্তনা খুন্নাইদা ক্রাইম কয়া থোকহল্লি। মতম শাংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরকপনা মেন্টেল ইলনেস ওইহল্লকই হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা নহা কয়া পাক শন্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরকপগী লাইচৎ অসি থিংহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা অফবা মহৈরোয় অমসুং শান্নরোয় অমত্তা পুথোকপা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লগনি। মরম অদুনা মহৈরোয় ওইরিবা ঐখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মী অমা ওইনবগীদমক ঐখোয় মতম চূপ্পগী ওইনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা নিংথৌজম দোরেন্না হায়খি, খুন্নাই অমগী তুংগী লাইবক লেপ্পা হায়বসি খুন্নাই অদুগী নহা ওইরিবা মীওইশিংগী মখা পোল্লি। মরম অদুনা ঐখোয়গী অফবা তুংলমচৎ অমগীদমক অফবা তিঞ্জং কায়জংদবা মীরোল শেমগৎপা মথৌ তাই। লুরিবদি ঙসি লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল কয়া লোগী ওইবা অথিংবা কয়া লৈজরবসু মফম খুদিংদা মরাং কায়না ফংলি।

ময়াই কাবা চিঞ্জক মখল কয়া মফম খুদিংদা মরাং কায়না ফংবনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা মহা ওইরিবা মীওই কয়া পাকশন্না লাইচুরক্লি। মমল য়াল্লবা ঐখোয়গী নহা ওইরিবা মীওই কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তা ইরাক্লরকপনা ঙসিদি খুন্নাই অসিগী তুংগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাক্লে। ফীভম অসি থিংহৌদ্রবদি মণিপুরী খুন্নাই অসি শোয়দনা কাংখুল মুৎখ্রগনি।

মণিপুরী খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কঞ্জনবা লমদম অসিদা লৈরিবা শিনফম খুদিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লেপমিন্নবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরে।

মহৈ মশীন তল্লিবা মহৈরোয় ঐখোয়গী পুন্সিদা অফবা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইগে হায়রবদি ঐখোয় মতম খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল পূম্নমক্তগী লাপথোক্কদবনি। লোয়ননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল অমত্তদা চাংয়েং তৌগে হানা খল্লোইদবনি। মণিপুরদা পাক শন্না শন্দারক্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসি থিংহৌদ্রবদি মণিপুরী হায়বা ফুরুপ অসি কাংখুল শোয়দনা মুৎখ্রগনি। লমদম অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কলহৌনবা ঙসি মহৈ তল্লিবা মহৈরোয় ঐখোয়না মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নগে হায়বা ৱাখল খল্লোইদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা লোংজম ব্রোজেন্না হায়খি, মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাই নৎত্রগা চারমগনি খল্লগা অসিগুম্বা কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপা নত্তে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী অমাঙবা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নদুনা অমদি ৱাখল তামিন্নদুনা তুংগী খুন্নাই অসিগী অফবা অচংবা মহৈরোয় অমমম ওইরক্লবা কেম্প্যেন অসি চঙশিনবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা মহৈরোয় অমত্তনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ঙল্লোই। লমদম অসিবু নুংঙাই য়াইফবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি ঙসি মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী খূৎতা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল নহাকপম জোন্না হায়খি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা মী অমা হায়বসি নোর্মেল পার্সন অমা ওইবা ঙল্লক্তে। মরম অসিনা ক্রাইম থোক্লক্লবা মরম অমা ওইহল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ঙসি মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং অসিগী চহী মতাং অসি য়াম্না মরু ওইবা চহী মতাং অমনি। মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা মায় পাকক্নে হায়বা তারবদি কৈদৌনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল অমত্তা শীজিন্নরোয়দবনি। করিগুম্বা মমাঙদা শীজিন্নবা য়াওরম্লবসু ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগী থাদোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা কাদানা থা ৩ খুদিংগী পুথোকপা জর্নেল হেলথ ফোর ফ্যুচরগী কোপি খরা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্টনা স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপালদা খুদোল তমখি হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মোইরাং কম্পু সাজেপ্তা অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পু সাজেপ, নোর্থ ইষ্টর্নলাইব্রেরি এন্দ কলচরেল সেন্তর অমদি মোইরাং কম্পু অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা খূৎশম্নদুনা থা অসিগী ১২গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কলহৌদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক্তনি। লোয়ননা মোইরাং কম্পু সাজেপনা কোনবা মফম পূম্নমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা, শীজিন্নবা মতম পূম্বগী ওইনা থিংলে হায়না ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পু সাজেপকী জেনরেল সেক্রেটরি এন বানিকান্তা অঙোমচানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (সাল) মণিপুরনা চহী অসিগী শৈরেংবা ওইনা কুমজা ২০১৩দা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা মীয়াম্না শকখঙনরবা শৈরেংবা তখেল্লম্বম বাবু থোইদোক্লা সোরারেন হায়না খঙনবা অসিনা থা অসিগী ৯দা লৈখিদবদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা লূপ অসিগী লোইশঙদা থা অসিগী ১১দা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ENGLISH COURSE FOR X & XII
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3623/6/9-6/10


HL-B/4822/30/8-30/9
CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.
8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam 2018; 94% (Man.E.M.Sc. S.Sc.Hm)
19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam 2018; 92% (Man.E.M.Sc. S.Sc.Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam 2018; 75.8% (Man, M, Sc.)
MAIBAM STEPHEN HSLC Exam 2018; 74.5% (Man, M)
LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam 2018; 72.6% (MIL, E)
Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal